ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ২১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২০৬শুবা মশীং

# ইন্দিয়াদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম শোকচিল্লকপা

## হোৎনবা য়াওদনা মথন্তা ফীভম ফগৎলকপগী ৱাফম লৈরোই

কনাগুম্বা অমা হকচাং ঙম্লক্তবা মতমদা ডোক্টরদা লায়েংলগা ফগৎহন্নবা হোৎনৈ। শেল-থুমগী ফীভম শোকচিল্লকপা মতমদসু অখঙ-অহৈশিংগা তান্নরগা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনৈ। অদুবু ইন্দিয়াদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন থম্লিবনা মরম ওইরগা শেল থুমগী ফীভম শোকচিল্লকপা মতমদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদবগুম তৌরি। য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা তারবসু শেল-থুমগী ফীভমদি নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি। কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী চৈথেং পীরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মাঙজিল থারি হায়বা য়াই। শেন্মীৎলোনগী ফীভম শোকচিল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবননি হায়বা য়াই। লোকদাউন তৌবনা কান্নবা নৎত্রগা কান্নদবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা মণিপুরদা অমুক হন্না লোকদাউন তৌরকপা য়ানা লৈরে। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পলদা পাঙথোকপা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী ২২২শুবা কুমওন থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা কোভিদ-১৯গী ফীভম লুশিল্লক্লে। অনৌবা লাইচৎ ওইবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন পুথোরক্ত্রিবা মরম্না লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি। লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা লোকদাউন থমখিবনা খোঙজেল তপথহনবা ঙম্লবসু লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা শোকহল্লক্লিবসিগী মতাংদা খন্নবা মতম ওইরে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লমদম অসিদা মীওই অয়াম্বনা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্না চৎপা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলিবসি লাইবক থীবনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি পাক্তক্লনা শন্দোরকপা মফম খরা লৈঙাক্লা মশক খঙদোক্লগা লোকদাউন তৌদুনা লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা হোৎনরগনি হায়রি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংদা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লবশিংনা মতেং পাংশিনবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, চয়োল খরা ষ্টেটকী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌনবগী মতাংদা সেন্টটরগী পাউতাক লৌনবা হোৎনরি। নোংম-নোংমগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈঙাক্লা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী মতাংদা শেন্বা এস ও পি মীওই অয়াম্বনা থৌশাদ্রে। মরম অদুনা নোংম-নোংমগী কেস মশীং য়াম্বা হেনগৎলকপনি। মতাং অসিদা হৌজিক খন্থবা য়ারিবসি নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা শেন্মীৎলোনগী মতাংদনি। লোকদাউন থমখিবনা মরম ওইরগা শোকচিল্লক্লিবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা তারবসু শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি। শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা ইহান হানবা ওইনা লুপা ক্রোর ২০গী ইকনমিক পেকেজ অমা লাউথোকখি। মতম খরা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎলুরবা ইন্দিয়াদা হৌজিক লোকদাউননা মরম ওইরগা তপ্না-তপ্না শেন্মীৎলোনগী ফীভম শোকচিল্লক্লে। মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়না ক্লেম তৌজরগসু ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি। মালেমদা মাঙজিল থানা চাওখৎখ্রবা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদি লায়রদনা বাংলাদেশতগী ফাওবা শেন্মীৎলোনগী মতাংদা শোথনা লৈরি। থা তরুকলোম শেন্মীৎলোন্না থবক থৌরম পুম্নমক লেপ্পুরবা মতুংদা ইন্দিয়ানা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়না ক্লেইম তৌজরবসু শেন্মীৎলোনগী ফীভমদি ফগৎহনবা ঙমদ্রি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা কদায় ফাওবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরবগে হায়বদুনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা শোকচিল্লক্লিবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং কয়া য়াম্না মতিক চারবগে হায়বদু খন্নবা মতম ওইরে। মে থাদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা অখন্নবা থৌরাং অমা লাউথোকখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা অমুক্কসু শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং অমা লাউথোকখি। অদুবু প্লেন অমা ওটো-পাইলোট মোদতা থম্বগী মওংদা শেন্মীৎলোনগী ফীভমসু মশা মথন্তা ফগৎচরক্কনি হায়বগী মওংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা থেংনখিদে। ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা থৌরাং অমা লাউথোক্লগা হোৎনবা অমা য়াওদনা করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমলোই হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪

১) (ক) *"কয়াম ৱাৎলি লমদমদো, কয়াম ৱাৎলি য়ৌরনিদা লাপ্তুরে, মাঙদা চখৎলু মাঙদা চখৎলু"*

(খ) *"অনৌবা য়ুগকী অনৌবা আশা পুদুনা লাক্লো নহারোল লাক্লো নহারোল"*

ঈশৈ অনীসি গ্রুপ শকমিন্নবা ঈশৈগী ইহান হানবা গ্রামোফোন রেকোর্দ লৌখিবা (মনিং মমায় ওইবা) ঈশৈনি হায়না রেকোর্দ তৌরিবা শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মমিং করি কৌই অমসুং অইবদুনা কনানো?

২) *"কনাগী লৈকোলদা শাৎপীনো করম্বা মালিগী খূৎশেমনো"* মীয়াম্না য়াম্না পাম্ননা তানরবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিগী শৈরেংবসি কনানো?

৩) শক্লাইরবা এদুকেসনিষ্ট অমসুং লুচিংবা অমনা ইরম্বা অমসুং মশা লৈখিদ্রবা তুংদা ফোঙবা নোভেল অমগী মমিংনি 'পীশুম্লে' হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) "হরাওজখিবা অমনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী কাঙবু লাক্লগা লাই হরাওবগী ঈশৈ তোম্বীনৌগী খোঞ্জেলদা লৌরগা শন্দোকখিবদো। মদুনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী ইন্দিয়াগী থৌরম হৌদোক্লে হায়রিবনি" মমিং চৎলবা লমকোয় ৱারী অমদৈ লৌথোরকপনি। করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো মমিংশিং হায়য়ু।

৫) পঞ্জাবী অইবা কর্তারসিং দুগ্গলগী ৱারী মচাগী খোমজিনবা লাইরিক 'ইক সিট চান্নন দি' হায়বসিবু 'থাবলগী চৈনা' হায়না মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ট্রান্সলেটর অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ফিজিক্স নোবেল প্রাইজ ২০২০

# ব্লেক হোল শেম্লকপা অমসুং নিংথৌ তুরেলগী ময়ায় চবুক্তা ব্লেক হোল অমা লৈ হায়না পুথোকখিবগীদমক

সাইন্সকী খোঙচৎ


**কুঞ্জো নাওরেম**

মীৎনা উবা ঙমদবা পোৎশিং (এটম, মাইক্রো ওর্গানিজম্নচিংবা) দগী হৌরগা মীৎনা উজরবসু, সেকেন্দ অমগী মনুংদা কিলোমিটর লাখ ৩ য়াঙনা (মালেমদা খ্বাইদগী য়াঙলিবা মঙালনা চৎপগী স্পীদ) পাইবদা, চহী ১০, ২০ ... ১০০, ... লিশীং কয়া চঙলগদবা পোৎশিং (থৱান্মীচাক, গেলেক্সিনচিংবা) গী মরমদা নৈনবা ঙম্লকপসি য়াম্না ঙকপা অমা ওইশিল্লক্ত্রে। মঙগুম্বনি খল্লম্বা কয়া, শাফোঙলক্লিবশিংগী মনুংদা ব্লেক হোল শেম্লকপা অমসুং নিংথৌ তুরেল (মিল্কি ৱে - তাইবঙপানগী শাইদাংফম) গী ময়ায় চবুক্তা ব্লেক হোল অমা পুথোরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সাইন্টিষ্ট অহুমদা হন্দক চহীগী নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না স্বিদিশ একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা ওক্টোবর ৬তা লাউথোকখ্রে।

ব্লেক হোল হায়বসি য়াম্না চাওখ্রবা থৱান্মীচাকশিংগী পুন্সিনা লোম্লক্লবা মতমদা ওইরকপা য়াই। ব্লেক হোলবু অমুক্তং শেমখ্রবদি, মসিগী গ্রেভিটেসনগী শাফুনা অকোয়বদা লৈরম্বা মাসশিং, নক্লা লৈরম্বা অপিকপা থৱান্মীচাকশিং চিংশিনখিদুনা হেন্না চাওখৎলকই অমসুং গ্রেভিটেসনগী শাফু হেন্না কনখৎলক্তুনা খ্বাইদগী য়াঙলবা মঙাল ফাওবা চিংশিনখিবদগী উবা ঙমদে অমসুং অহোবা মখুল অমগী মতৌগুম্লকই, অদুনা ব্লেক হোল হায়না কৌরিবনি। মীৎনা উবা ঙমদ্রবসু, টেলিস্কোপ অমসুং নাকোয়নবা পাম্বেশিংনা ব্লেক হোল লৈরে হায়বসি খঙহনবা ঙম্মী; খুদম ওইনা, থৱান্মীচাকশিংনা অহাঙবা সেন্টর অমদা কোইদুনা চৎলবদি সেন্টর অদুদা ব্লেক হোল অমা লৈরে হায়না লৌনৈ।

চহী অসিগী ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজগী তঙ্খাই অমা ফংগদৌরিবসি মীয়াম্না ঙক্নরিবা *ষ্টেফেন হোকিং*গা থিজিনবগী থবক কয়া পায়খৎমিন্নখিবা **রোজর পেনরোজ**নি। *অলবর্ট আইন্সতাইন্না* থিওরি ওফ রিলেটিভিটি পুথোরক্ত্রিঙৈ চহী ১০০ মুক্কী মমাঙদা, হোন মিচেল অমসুং পিয়র সাইমন লাপ্লেসনা খনখিবদি মঙাল ফাওবা চিংশিনবা ঙম্বা গ্রেভিটেসনগী হায়নীংঙাই লৈতনা কল্লবা শাফু লৈ, কা হেন্না কুংলবা থৱান্মীচাকশিং লৈরমগনি হায়বসিনি। অসিগুম্বা থৱান্মীচাকশিংসিনা মঙাল ফাওবা চিংশিন্দুনা থম্লবনিনা, মসিদগী মঙাল থোরক্লরোই, অদুনা উবা ঙম্লোই। মসিগী ৱাফমসি আইন্সতাইন্না কুমজা ১৯১৫গী নবেম্বরদা মাগী 'থিওরি ওফ রিলেটিভিটি' পুথোরক্লবা মতুং কুমজা ১৯১৬তা, জর্মনগী এষ্ট্রোফিজিসিষ্ট *কার্ল স্বারজচাইল্ড*না 'ইভেন্ট হোরাইজন' হায়না খঙনখিবা, খ্বাইদগী য়াঙলবা মঙালনা ফাওবা নাম্থোক্তুনা চৎখিবা ঙম্লরোইদবা মফম অমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখি। মতমদুদা ৱাফমসি অসুক্কী মতিক জুৎ চাদবা ওইরম্মী মদুদি আইন্সতাইন্না ফাওবা মসি ওইথোক্কনি হায়বসি থাজখিদে।

ইন্দিয়াগী থিজিল্লোই *বি দত্ত* অমসুং *রোবর্ট ওপেনহৈমর* অদুগা *হার্টলেন্দ স্নাইদর*না কুমজা ১৯৩০গী মতমদা থৱান্মীচাক অমনা গ্রেভিটেসনগী শাফুনা মরম ওইদুনা মরোমদোম চিংশিঞ্জরকপগী মতাংদা অঙ্কগী ইক্কেসনশিং পুথোরকখি। অদুবু, মখোয়না 'স্ফেরিকেল সিম্মেত্রি' গী চম্লবা ৱাফমখক্তমক ফোঙদোরকখি। কুমজা ১৯৬০গী মতমদা, হৌজিক্লা এক্টিভ গেলেক্টিক ন্যুক্লাই হায়না খঙনরবা, 'ক্বাসর' শিং থেংনরকখিবদুনা কা হেন্না লূম্লবা ব্লেকহোলশিং লৈ হায়বগী খুদম চাংদম পীনবগী য়ূম্ফম ওইরকখি। স্ফেরিকেল ওইবা সিম্মেত্রি লৈবা লূমখ্রবা থৱান্মীচাক অমনা মশাগী গ্রেভিটেসনগী শাফুনা চিংশিঞ্জরক্তুনা স্বারজচাইল্ড রেদিয়স (ইভেন্ট হোরাইজন) য়ৌদ্রিবা ফাওবা হায়নীংঙাই লৈতনা কুংলবা সিঙ্গুলরিটি অমা শেম্লকপগী মতাংদা দত্ত, ওপেনহৈমর অমসুং স্নাইদরনা শন্দোক্লা তাকখ্রে। অদুবু হংবা য়াবা ৱাহং অমা চোঙথোরকখি : স্ফেরিকেল সিম্মেত্রি য়াওদনা মপূং ফাবা গ্রেভিটেস্নেল কোলাপস অমা থোক্কদ্রা?




মিল্কি ৱেদা লৈরিবা সোলর সিষ্টম অমদি সাজিতারিয়স এ*



রোজর পেনরোজ    এন্দিয় গেজ    রৈনহার্দ গেন্সেল

য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দতা হৌজিক লৈরিবা রোজর পেনরোজনা মাগী সিঙ্গুলরিটি থিওরেমশিং শীজিন্নদুনা জেনেরিক ওইবা মওং অমদা ব্লেক হোলশিং শেম্লকপগী ফীভম ওইনা 'ত্রেপ সরফেস' শিং শেম্লকপগী মতাংদা শাগৎলকখি। পেনরোজনা হায়খিবদি ব্লেক হোল হায়বসি থিওরি ওফ রিলেটিভিটিগী মহয় অমনি, অদুগা মখোয়বু শেম্লকপসি ফীভম চেৎলবা থৌওং অমসু ওই। ব্লেক হোল অসিগী ময়ায় চবুক ওইরিবা 'সিঙ্গুলরিটি' হায়না খঙনবা মফমসিদা নেচরগী লৈরিবা লো পুম্নমক অমত্তা পানশিনবা য়াদে। অদুনা ব্লেক হোল অমগী মনুংগী শক্তমসি কমদৌরমগনি হায়বসি অদুমক খঙদনা লৈরি।

হন্দক চহীগী, ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ অসিগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমা ওইরিবদি : প্রাইজ সিগী তঙ্খাই অমা **রৈনহার্দ গেন্সেল**গা পূন্না ফংমিন্নগদৌরিবসি নুপীলক্তগী অথোইবী অমা ওইরিবী **এন্দ্রিয় গেজ**নি। গেজগী মমাঙদা, ফিজিক্সতা পীখিবা নোবেল প্রাইজ ১১৪গী মনুংদা, নুপী অহুমদা মনাসি লাম্থোকখ্রে : *মারি ক্যুরি* (১৯০৩, রেদিওএক্টিভিটিগা মরী লৈননা), *মরিয়া গোপর্টমেয়র* (১৯৬৩, ন্যুক্লিয়র সেল ষ্ট্রকচর) অমসুং *দোন্না ষ্ট্রিকলেন্দ* (২০১৮, অলত্রাশোর্ট, হায়-ইন্টেন্সিটি লেজর পলসেস)।

ঙসিদগী চহী ১০০ মুক্কী মমাঙদা, তাইবঙপান নৎত্রগা সোলর সিষ্টমগী শৈদাংফম ওইরিবা নিংথৌ তুরেল (মিল্কি ৱে গেলেক্সি) গী ময়ায় চবুকপু মশক খঙবা ঙমখিবা ইহান হানবা মীশক্তি অমেরিকান এষ্ট্রোনোমর *হারলো শেপ্লি*নি। কুমজা ১৯৬০গী মতমদা মফমসিদা 'সাজিটারিয়স এ' (সাজিটারিয়স এ ষ্টার) হায়না খঙনবা, রেদিওৱেভশিংগী তুংনফম অমা লৈ হায়বসি খঙবা ঙম্লকখি। মসি মালেমগী লাইট য়র ২৬,০০০ মুক লাপ্পী হায়বদি খ্বাইদগী য়াঙলবা মঙালগী জেট অমা তোংদুনা চৎপদা চহী ২৬,০০০ চঙগনি। মসিগা চাংদম্নবা য়াবদা, জেট অসিনা নুমিৎ য়ৌবদদি মিনট ৮ মুক চঙগনি।

গেন্সেল অমসুং গেজনা নিংথৌ তুরেলগী ময়ায় চবুক্তা ওন্থোক্লা চাওখ্রবা, মীৎনা উদবা ব্লেক হোল অমা লৈরে হায়বসি খঙবা ঙমখি। মসি নুমিৎ মিলিয়ন ৪ পুনশিন্নবগা মাস/লূম্বা মান্নে অদুবু চাউবগী চাংদি ঐখোয়গী সোলর সিষ্টম অসিমুক্তনি। অসিগুম্বা ব্লেক হোল অসিবু নিংথৌ তুরেল ফাওরগা য়েংনবগীদমক মালেমগী চাউরবা টেলিস্কোপশিং শীজিন্নখি অদুগা অনৌবা মেথদ কয়ামুকসু শেমগৎখি। নিংথৌ তুরেলগী ময়ায় চবুক্তা খ্বাইদগী নক্লবা থৱান্মীচাকশিংগী ওর্বিটশিংবু কুপ্না য়েংলগা, সাজিটারিয়স এদা ব্লেক হোল অমা লৈরে হায়বসি খঙলকখিবনি। নুমিৎকী চিংশিনবগী শাফুনা গ্রহশিংবু চিংশিন্দুনা মাগী অকোয়বদা কোইনা চৎহনবগুম্না, ব্লেক হোল অমগী য়াম্না কল্লবা শাফুনা চিংশিন্দুনা থৱান্মীচাকশিংদু কোইনা চৎহনবনি। ●

# বিহারদা পাথক্কী নুপীগী ফুটবোল একাদেমি

- লৈশাংথেম অজিৎ -

শান্নবগী ওজাশিংবু ঐখোয়না কোচ হায়না খঙনরি। কনাগুম্বা নুপী অমনা কোচ ওইগে হায়রবদি মহাক্না পাম্লিবা মশান্না অদুদা কোচ ওইনবা ত্রেনিং চৎকদবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি কোচ ওইনবগীদমক মহৈ তম্ফমদি নেটাজি সুভাস নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস হায়না খঙনবা মহৈতম্ফম অদুদনি। অশম্বীদা এন আই এস হায়না খঙনরম্বা মহৈ তম্ফম অসি হৌজিক্তি নেটাজি সুভাস নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস (এন এস এন আই এস) হায়না মীং ওনথোকখ্রে। পঞ্জাবকী পাটিয়ালা সহর খক্তদা লৈরম্বা শান্নবগী মহৈ তম্ফম অসি কোলকটা, গান্ধীনগর অমসুং বেঙ্গলোরদসু ইন্সটিট্যুসন অসি হাংদোকখ্রে। মহৈ তম্ফমশিং অসিদগী মায় পাক্লগা থোরকপা মহৈরোয়শিং অদু ইন্দিয়াগী মফমশিং অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদসু কোচ ওইবা কয়ামুক য়াওরি। মখোয়গী মনুংদা মালেমদা মমিং লৈবা শান্নরোয় কয়ামুক পুথোকপা য়াওনরি হায়বা মীয়াম্না খঙনরি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মরক্তা মখোয়না তৌরিবা থবক অদুদা মায় পাক্তবা কয়ামুক য়াওরি। মসিগী মরম কয়ামুক লৈরি। অদুবু অশম্বীদা মখোয় অসি মখোয়না তৌরিবা থবক অদুদা মপূক্লিং চঙদবা, থবক অদু থৱায় হকচাং য়াওদনা পাঙথোক্লবা হোৎনবনি। অদুম ওইনমক শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াম্না য়াওবা মীওই কয়ামুকসু ত্রেনিং য়াওদনা হায়বদি দিপ্লোমা য়াওদনা মখোয়না হৈজরিবা অমদি পামজরিবা মশান্না অদুদা শান্নরোয়শিংবু তাকপী তম্বীদুনা মায় পাকখিবা কয়ামুকসু য়াওরি। মসিগী খুদমদি কুমজা ১৯৮০দা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অমসুং কুমজা ১৯৮৪দা লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদসু মিটর ১৫০০গী লমজেলদা থংন-থংননা সনাগী মেদল ফংখিবা অমদি ওলিম্পিক অনী অসিদসু মিটর ৮০০গী লমজেলদা অনীশুবা তাদুনা লুপাগী মেদল ফংখিবা গ্রেট বৃটেনগী Sebastian coe গী কোচতি মহাক্কী মপা পিটর-কোনি। পিটর-কো এথলিটিক্সকী কোচ ওইনবা ত্রেনিং ফংবা নুপা নত্তে, মহাক্তি এঞ্জিনিয়রনি।

অসুম্না পিটর-কোগুম্না প্রোফেসনেল ওইনা শান্নবগী থৌরমশিংদা ত্রেনিং তৌরুদবা নুপা-নুপী কয়ামুক শান্নরোয়শিংবু কোচিং তৌদুনা ওলিম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবা কয়ামুক্কী মমীংশিং ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা য়াওরি। কোচ অমা ওইবগী ত্রেনিং তৌরুদবা, শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দসু শরুক কয়া য়ারক্তবা নুপা-নুপী কয়ামুক্না অরাপ্পা খুঙ্গংশিংদা নুপামচা-নুপীমচাশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা তাকপী-তম্বীদুনা শান্ন-খোৎনবগী মঙাল ফংহনবা মীওই কয়ামুক্কী মরক্তা বিহার ষ্টেটকী জিওগ্রাফিগী স্কুল ওজা চহী ৪৫শুরবা সঞ্জেয় পাথকসু অমনি। মহাক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈঙাক্কী ওজা অমা ওইবগা লোয়ননা লমদম অদুগী অঙাংশিংবু হীরম খুদিংমক্তা খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনবা নুপানি। মহাক্না অহাঙবা মতমদা মহাক্কী স্কুলগী মহৈরোয়শিং অদুদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং হায়বদি ফুটবোল, ভোল্লিবোল, হোকিনচিংববু শান্নহনবগা লোয়ননা লমজেল চেনবগী ত্রেনিংসু তৌহল্লি। কুমজা ২০০৯দা মহাক্কী স্কুল অদুদগী নুপীমচা মহৈরোয় অনী পঞ্চায়ট য়ুব খেল অভিয়ান হায়বা খুঙ্গংশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা থৱায় য়াওশিন্নবা অমদি শান্নরোয় অমা ওইবগী মরু ওইবা গুনশিং অদু লৈহন্নবা পাঙথোকখিবা স্পোর্ট অমদা শরুক য়াহনবদা টারা খাতুন কৌবী অমনা মিটর ৮০০ অমসুং মিটর ১৫০০গী লমজেলদা অমদি পুটুল কুমারি কৌবী অমনা মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০দা মখোয় অনীনা পূন্না সনাগী মেদল মরি ফংলকখি। মদুদা মহাক্না হায়, "ঐনা মখোয়গী মঙক্তা মেদল শীরিবা অদু উবদা শিৱালগী খুঙ্গংশিংদা লৈরিবী শান্নরোয় নুপীমচাশিং অসিগী মতিক ময়াইশিং অদু খঙবা ঙমখি।"

লক্ষিম্পুরগী খুঙ্গংদা পাথক্কী মপা মপুনা থলম্বা লৌফম খরা লৈরম্মী। লৌফম অদুদা মহাক্না রানি লক্ষ্মিবাই স্পোর্টস ক্লব লিংখৎলম্মী অমদি শান্নবুং অমা শেমখি। হৌজিক ক্লব অসিগী শান্নরোয় নুপীমচাশিং ষ্টেট লেভেল অমসুং নেসনল লেভেল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াহনবদা মায় পাক্লে। মহাক্না অসুম্না হায়খি মদুদি মহাক্না মহৈরোয়শিং অদুবু থাঙ ময়া থাংবগুম্না শেমগৎকনি, মখোয়গী হৈশিংবা, স্কিল হেনগৎনবা কন্না হোৎনগনি অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক য়ৌহনগনি।

হৌখিবা চহী মরিদা মহাক্কী ক্লবকী নুপীমচা ২৫দি হোকি, রগবি, ফুটবোল, হেন্দবোল, এথলিটিক্স অমসুং বোল বেদমিন্টন্দা ষ্টেট অমদি নেসনলগী থাক্তা শরুক য়াবা ঙমখ্রে। মসিগী মথক্তা নুপীমচা ৮দি ফুটবোল, হেন্দবোল অমসুং থ্রোবোলদা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ারুরে। অদুবু মহাক্কী খোঙজং অসিদা অকায়বা পীবা, য়ৈখাই থিনগাইবা কয়ামুক মহাক্না মায়োক্লরি। মহৌশানা বিহারগী খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিং অসি য়াম্না চাওখৎতে, নুপী অঙাংশিংদা তাবা য়াদবা ৱাচোপ কয়ামুক শীজিন্নদুনা লাউ খোংবা অসি মখোয়গী মপা-মপুদগী হৈনরক্লবনি। লম অসিদদি নুপী অঙাংশিংবু য়াম্না হন্থনা তৌবী। মরম অসিনা নুপামচাশিংনা মখোয়গী শান্নবুং অদু ফাওদুনা চৎলি। লিক্লি লংশিল্লি অদুগা মখোয়গী চৎনবী ৱাচোপ য়াওবা খুঙ্গংদা শকপা 'ভোজপুরি ঈশৈ' অদু শকচিল্লি। অদুগীসু মথক্তা খুঙ্গংগী অহলশিংনা মঙোন্দা নুপীমচাশিংবু খোঙগ্রাও অককপা অতেনবা শেৎহন্দুনা মীয়াম মমাঙদা ফুটবোল শান্নহল্লি হায়দুনা থীনা-থীনা চৈবিখি।

পাথক্না স্কুলদা ওজা ওইমিন্নরিবা লাইরিক হৈরে হায়না লৈবা মীওইশিং অদুনসু মহাক্কী মায়োক্তা ৱা য়াম্না ঙাঙনরম্মী। শান্নরোয় নুপীমচাশিং অদুগী মপা মমাদা মখোয়গী মরী মতাশিংনা করিগীদমক খোঙগ্রাও মচা অতেনবা শেৎহল্লগা মখোয়গী মচানুপীশিং অদু লম্পাক্তা শান্নহল্লিবনো হায়না কন্না কন্না ৱাকৎখি। মতাং অসিদা পাথক্না হায়, "ঐদি মখোয়গা থেংনগনি হায়না লেপখ্রে। ঐনা মথংগী অয়ূক্তা মখোয়না হুনজিল্লম্বা পোৎশিং অদু শেংদোক্লগা শান্নবা অমুক হৌই।" অদুবু নুপীমচাশিং অদুদি থৱায় য়াওবা হেনগৎলকখি। ওজা পাথক্না শান্নরোয়শিং অদুগী অহল-লমনশিং উন্নদুনা মখোয়বু স্কুলগী মতমদা লাকপীদুনা অঙাংশিংদা ফুটবোল তম্বীরিবা অদু য়েংবীনবা হায়জবদা মখোয়গী মমা-মপাশিং লাক্তুনা মহাক্কী ক্লবকী হোষ্টেলদা লৈহন্দুনা অঙাংশিংগী থৌরমশিং অদু য়েংহন্দুনা মখোয়গী মপূক্লিং পেনখি। ঐখোয়না খঙলে মদুদি বিহারদা কাষ্ট সিষ্টম হায়বদি মখোয়গী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী ব্রাহ্মন অমদি ক্ষেত্রি মচানচিংবা ৱাইশিৎপগুম্বা হন্থবা থবক তৌবগী জাৎ শুদ্র মচাশিংগা শম্না-খোৎনবা, চামিন-থকমিন্নবা য়াদে, হৌজিক ফাওবা বিহারদা মসিগী চৎনবী অসি য়াম্না কন্না লৈরি। অদুবু পাথক্কী ত্রেনিং তৌফমদদি মদুগী চৎনবী অদু লৈহন্দে। পুম্নমক থাক অমদা চপ মান্ননা লৈহল্লি। মদুদা য়েংবা লাক্লিবা মমা-মপাশিং অদুনা করিসু হায়রমদে। ●